# ইন্দিয়াগী জোন্সননা বর্লিন ইভেন্টকী নুপাগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা নেসনল রেকোর্দ থুগাইদুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাই ওইখ্রে



বর্লিন, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ
জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা ঙরাং ইন্টর্নেসনল এমেচর এথলেটিক ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা আই সে টি এ এফ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এথলিট জিন্সন জোন্সননা নুপাগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী নেসনল রেকোর্দ থুগাইদুনা সিলভর মেদল ফংখিবগা লোয়ননা দোহা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

মহাক্না ঙরাং বর্লিনগী কম্পিটিসন অদুদা মিটর ১৫০০গী লমজেল অদুদা মিনট ৩:৩৫.২৪ চেন্দুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। মদুদা যু এস এগী এথলিট জোসুৱা থোমসননা মিনট ৩:৩৫.০১দা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদুনা কুমজা ১৯৯৮দা মোরোকোগী হিকম এল গুইরোজনা মিনট ৩:২৬.০০দা থমদুনা লৈরি। ইভেন্ট অদুগী অহুমশুবা পোজিসন অদুনা কেনিয়াগী এথলিট কোর্নেলিস তুৱৈনা মিনট ৩:৩৫.৩৪দা চেন্দুনা ফংখি।

ইন্দিয়ান জিন্সন জোন্সননা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না বর্লিনগী ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী হান্না মহাক মশামক্না থমখিবা মিনট ৩:৩৭.৬২গী রেকোর্দ অদুদি শুংশোয় শোয়দনা থুগাইবা ঙমগনি খনখি। অদুবু অনীশুবা পোজিসন তারক্কনি হায়বদি থাজরুদে হায়খি।

মশাগী চহী ২৮শুরবা জোন্সননা মখাতা ফোঙদোকখিবদা মহাক যু এস এগী কোলোরাদোদা ট্রেনিং মখাতানা য়াওদুনা কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুগীদমক কন্না শেমশাগনি লোয়ননা টোকিও ওলিম্পিক্কী মায় ওনশিনগনি হায়খি।

ঙরাং বর্লিনদা পাঙথোকখিবা আইএসএএফ ইভেন্ট অদুদা নুপাগী মিটর ১০০গী মায়কৈদা কনাদাগী এন্দ্রি দি গ্রাসেনা সেকেন্দ ৯.৯৭ চেন্দুনা মকোক ওইখি। অনীশুবা পোজিসন অদুনা সাউথ অফ্রিকাগী অকানি সিম্বেনা সেকেন্দ ৯.৯৯দা তাখি। অদুদা অহুমশুবা পোজিসন অদুনা জমায়কাগী তাইক্কেন্দা ত্রেসিনা সেকেন্দ ১০.০৬তা লৌখি। নীংশিংবা য়াবদি হায়রিবা ইভেন্ট অসিগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু জমাইকাগী উসেন বোল্টনা সেকেন্দ ৯.৫৮দা হৌজিক ফাওবা থল্লি।

নুপাগী মিটর ১১০গী হরদল লমজেলদা জমাইকাগী ওমর মেক্লিওদনা সেকেন্দ ১৩.০৭দা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি। অনীশুবা পোজিসন অদুনা ফ্রান্সকী এথলিট পাসকাল মার্টিনো লাগারেনা সেকেন্দ ১৩.২৫তা চেল্লগা ফংখি। লোয়ননা বারবেদোসকী সেন্ট ব্রাথৱাইটেনা সেকেন্দ ১৩.৩৬তা চেন্দুনা ৩শুবা পোজিসন তাখি। পনবায়াই, ইভেন্ট অসিগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদুনা কুমজা ২০১২দা যু এস এগী এথলেট এরিস মেরিটনা থমদুনা লৈরি।

নুপাগী মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলদা জর্মনিগী এথলেট লুক কেম্প্বেলনা সেকেন্দ ৪৯.৪১দা চেল্লগা অহানবা পোজিসন ফঙখি। অনীশুবা পোজিসন অদুদা ফিনলেন্দগী ওস্কারি মোরোনা সেকেন্দ ৪৯.৪৭দা চেন্দুনা তাখি। অদুগা ৩শুবা পোজিসন অদুদা অতোপ্পা জর্মনিগী এথলেট জোসুৱা এবুৱাকুনা সেকেন্দ ৪৯.৬৪দা ফংখি।

ইভেন্ট অসিগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদুনা কুমজা ১৯৯২দা যু এস এগী কেবিন য়ংনা সেকেন্দ ৪৬.৭৮তা থমদুনা হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী রেকোর্দ অদু অতোপ্পা এথলিট অমত্তনা থুগাইবা ঙমদ্রি।

নুপাগী হায়জম্প ইভেন্টতা জর্মনিগী মাটো প্লিজিবিকোনা মিটর ২.৩০ চোংদুনা অহানবা মনা অদু ফংখি। অনীশুবা পোজিসন অদুনা বেলারসকী বেলারসকী মেক্সিম নেদাসেকোনা মিটর ২.২৮ চোংলগা ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন অদুসু অতোপ্পা বেলারসকী এথলিট দিমিত্র নাবোকোনা মিটর ২.২৮ চোংখ। অনীশুবা অমসুং ৩শুবা পোজিসনগী চোংবগী অৱাংবা অদু মান্নরবসু এটেম্প তৌবদা দিমিত্রিনা মশিং হেনখিবদগী খেন্নবনি।

হায় জম্প ইভেন্টকী মালেমগী রেকোর্দ অসি কুমজা ১৯৯২দা ক্যুবাগী এথলিট জেবয়র সোতেমেয়রন মিটর ২.৪৫ (ফিট ৮.০৩৮)দা থল্লিবা অসিনা হৌজিক ফাওবদা ফুট ৮ লান্থোকপা ঙম্বা এথলিট ওইরি।

পোল ভোল্ট ইভেন্টতা স্বিদেনগ অরমান দুপ্লান্টিসনা মিটর ৫.৮০ চোংলগা অহানবা তাখি। অদুগা ২শুবা পোজিসন অদুসু মিটর ৫.০৮তা যু এস এগী সাম কেন্দ্রিক্সনা ফঙখি। লোয়ননা পোলন্দগী পিওটর লিসেক্টনা মিটর ৫.৭০ চোংলগা ৩শুবা তাখি। ইভেন্ট অসিগী ওইনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু ফ্রান্সকী রেনো লাভিলনা মিটর ৬.১৬ (ফিট ২০.২০) চোংলগা থল্লি।

দিস্কস থ্রো কম্পিটিসনদা পোলেন্দগী পিওটর মলাকোস্কিনা মিটর ৬৫.১৭ লংদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। অনীশুবা অদুনা লিথ্বানিয়াগী এন্দ্রি গুজিয়সনা মিটর ৬৪.৫১ অদুগা ৩শুবা অদুনা জর্মনিগী দেবিদ রোবেলনা মিটর ৬৩.৪৩ লংলগা তাখি।

ইভেন্ট অসিগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অসিনা কুমজা ১৯৮৬ (চহী ৩৩ মমাঙদা ৱেষ্ট জর্মনিগী মায়কৈদগী) জুর্গেন স্কুল্টনা মিটর ৭৪.০৮ লংলগা হৌজিক ফাওবা রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমদ্রি।

নুপাগী জেবলিন থ্রো ইভেন্টতা জর্মনিগী জোহেন্স ভিটরনা মিটর ৮৫.৪০দা মকোক ওইখি। অনীশুবা অদুনা লিথ্বানিয়াগী ইদিজ মাতুসেবিসয়সনা মিটর ৮৫.১০দা তাখি। অদুগা অহুমশুবা অদুনা জর্মনিগী অতোপ্পা এথলিট এন্দ্রি হোপমেননা মিটর ৮২.১৬তা লৌখি। ইভেন্ট অসিগী ওইনা হৌজিক হৌজিক ফাওবা জেক রিপব্লিক্কী এথলিট জান জেলেজনিনা কুমজা ১৯৯৬তা মিটর ৯৮.৪৮ লংদুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমদ্রি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০২

১) কুমজা ১৯৭০দা বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় খরা পীরি। মসিগী মরক্তা শরুক য়াখিদবা অমগী মমিং পীয়ু। ইমোচা, বিধু, বসন্ত কবুই, লুঙ্গাইনি, কোঙাংবি।

২) হন্দক্তা বোলর অসি শীখি অমদি টেষ্ট অমদা ইনিংস অমদা ৱিকেট ১০ লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১৯গী জুলায়গী অরোইবা চয়োলদা লৈখিদবা মমিং চৎপা বোলর অতোপ্পা অদু কনানো? মহাক করিগীদমক মমিং চৎখিবনো? পাউখুম অনী পীয়ু?

৩) মহাক কুমজা ১৯২৮গী ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল ফংখি। চহী ২০গী মতুংদা থৌরম অদুমক্তদা মহাক্না ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমসু ফংখি। মহাক্না শরুক য়াবা থৌরম অদু ওলিম্পিক্তগী লৌথোকখ্রে। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) নাগাওন্দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম অমনা শরুক য়ারুই। মদুদা চীংমী মপাল (৯) অমসুং তম্পাক্তগী অনী (২) য়াওখি। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী অদু কনা কনানো?



৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় মুহমদ সামিগী মথক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইশু তৌখ্রে



ন্যুদিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমদা শরুক য়ারিবা বোল্লর মুহামদ সামিগী মথক্তা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী সেক অমগা মরী লৈননা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইশু তৌখ্রে হায়না পাউগী চেনেল অমগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী বোলর অসিনা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা সরেন্দর তৌরবা মতুং বেলগীদমক এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৮তা মুহামদ সামিগী লোয়নবী হসিন জহাননা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী মতাংদা কেস অমা ফাইল তৌরকখিবনি। মরক অসিদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা সামিগী মথক্তা থাঙ্গৎলকপা চার্জ সিট অদু উদ্রিবমখৈ মহাক্কী মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌখিরোই হায়রি।

হৌজিক হৌজিক সামি ৱেষ্ট ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী মরু ওইবা বোলর অমা ওইনা শরুক য়ারিবনি।

# ইন্দিয়া 'এ'না সাউথ অফ্রিকা 'এ'বু ৩শুবা অন ওফিসল ওইবা ৱান দে মেচ অদু নোংনা তেনশিনখ্রবা মতুং ৱিকেট ৪দা থোইখ্রে





টিরুবনন্থপুরম, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী নুপাগী 'এ' ক্রিকেট টিমগা সাউথ অফ্রিকাগী 'এ' টিমগা ঙসি টামিলনাদুগী টিরুবনন্থপুরমদা লৈবা গ্রিনফিল্ড ইন্টর্নেসনল ষ্টেদিয়মদা অন ওফিসল ওইবা ৱান দে সেরিজগী ৩শুবা মেচ অদু নোংনা তেনশিলহনখ্রবসু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৪দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী টোস সাউথ অফ্রিকা 'এ'না ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকখি। অদুবু নোংনা মরম ওইদুনা ফিল্ড চোৎপদগী ওভর ৫০ শান্নগদবা অদু ওভর ৩০দা তেনশিনখি। সাউথ অফ্রিকাগী ওপনর রিজা হেন্দ্রিক্স শুপ্নগী রন ৯দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শীল্লকখিবা মেথিয়ু ব্রেস্কি অমদি জানেমন মলনগা মখা তানা ইনিংস অদু শেল্লক্তুনা রন ৬২ য়ৌরকখি।

মলন রন ৩৭তা আউট ওইখিবদগী কেপ্টেন টেম্বা বাভুমা শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না মেথিয়ুনা ইনিংস মখা চথুরকপদা রন ৯২ ফাওবা য়ৌরকখি। রিস্কে রন ৩৬তা আউট ওইখ্রবা মতুং কেপ্টেন টেম্বসু কুইনা লৈরমদে। মহাক্না খয়া জেন্দোনা ইনিংস অদুগী রন ১৩৪ ফাওবা য়ৌহনখি।

জোন্দো রন ২১দা আউট ওইখিবদগী হেনরিক ক্লাসেন শান্নবা চঙলকখি। টেম্বা আউট ওইখ্রবা মতুং ক্লাসেননা শুপ্নগী বোল ২১দা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ২ য়ৈখিবা অদুনা রন ৪৪ লৌরগা য়াম্না ফজখি। মহাক্কী মতুংদা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং ওভর মশিং লৈহৌদবনা ৱিকেট ৮ তুরগা ওভর ৩০দা রন ২০৭ লৌখি।

ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মনুংদা দিপক চাহর অমসুং ক্রুনল পন্দিয়ানা ৱিকেট ২/২ লৌখি। অদুগা যুজবেন্দর চাহল অমদি সরদুল থাকুরনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্নবা রন ২০৮ অদু ইন্দিয়া 'এ'না ২৮শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ৬ তুরগা লৌদুনা ৱিকেট ৪দা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী ইনিংস হৌবদা ফিভম শোকখি। ওপনর রুতুরাজ গাইক্বাদ শুপ্নগী রন ১দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শীল্লকখিবা রিকি বুই রন অমত্তা লৌদনা আউট ওইখি। ৪শুবা বেটচমেন ক্রুনল পন্দিয়া অমসুং ওপনর ইসান কিসননা ইনিংস অদু রন ২৬ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। অদুবু পন্দিয়া রন ১৩দা আউট ওইখিবদগী কেপ্টেন মনিস পান্দে চঙলকখি।

মহাক্না কিসননা ৪শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদু য়াম্না ফজনা পুখৎখি। পুন্না রন ৭০ হাপচিনবা ঙমখি। কিসন রন ৪০দা আউট ওইখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী স্কোর ৯৬তা লৈখি। পান্দেনা য়াম্না ফজনা সাউথ অফ্রিকা 'এ'গী বোলরশিং অদুবু মায়োক্নদুনা বোল ৫৯দা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৮১দা আউট ওইখি।

৭শুবা বেটচমেন সিবম দুবে অমসুং অজর পতেলনা নিতিস রানা রন ১৩দা আউট ওইখ্রবা মতুং ৭শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা ফজনা শান্নদুনা ২৮ শুবা ওভর অদুগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২০৮ লৌদুনা মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৪দা মায় পাকখি।

সিবম দুবে আউট ওইদনা শুপ্নগী বোল ২৮দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ৪৫ লৌখি। অদুগা অজর পতেলনা বোল ৮দা রন ৭ লৌরমখি।

# লিওনেল মেসি, খৃষ্টিয়ানো রোনালদো অমসুং ভানদিক ফিফা মেন্স প্লেয়র এৱার্দকী ফাইনেলিষ্ট ওইনা খনখ্রে







পেরিস, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ
মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা ফিফানা চহী খুদিংগী পীবা নুপাগী শান্নরোয়শিংগী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা মনা অদু পীননবা ফাইনেলিষ্ট ৩ খনগৎপদা অর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি, পোর্টুগালগী খৃষ্টিয়ানো রোনালদো অমসুং নেদর্লেন্দসকী ভর্জিল ভানদিককী মমিং লাউথোকখ্রে।

পনবা য়াইল ফিফানা চহী অসিগী জুলাই থাদা ফিফাগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় মনা পীননবা পুন্না তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিং অমসুং লৈবাকশিংগী শান্নরোয় ১০ খনগৎখিবনি। শান্নরোয় ১০ অদুগী মনুংদা মেসি, রোনালদো অমসুং ভানদিক ফাইনেলিষ্ট ওইনা খনগৎখি।

অতোপ্পা ফাইনেলিষ্ট ওইবা ঙমহৌদ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি মুহামদ সালা, কিলিয়ান মাপে, সাদিও মানে, ইদেন হেজার্দ, হেরিকেন, মাথিস দি লিক অমসুং ফ্রেঙ্কি দি জোমনি।

ইংলেন্দগী লিভরপুল ফুটবোল ক্লবকী য়াম্না মরু ওইবা দিফেন্দর অমা ওরিবা ভার্জিল ভানদিকনা ক্লব অদুনা মমাঙগী সিজনগী চেম্পিয়ন্স লিগ টাইটল লৌবদা য়াম্না অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অমদি প্রেমিয়র লিগকী টাইটল লমজেলদা মেনচেষ্টর সিটিদগী শুপ্নগী পোইন্ট অমখক হন্থরগা অনীশুবা তাহৌবনি।

হৌখিবা চয়োলদা মহাকপু যুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ঈ এফ এ)না মেসি অমসুং রোনালদো থনম্লগা ভানদিকপু প্লেয়র ওফ দি এয়রগী মনা পীখি।

স্পেনগী বর্সেলোনাগী শান্নরোয় ওইরিবা মেসিনা পুন্না মমাঙগী সিজনদা পাঞ্জল ৫১ চন্দুনা য়াম্না ফজবা সিজন অমা ওইখি। মদুনা মহাকপু যুরোপিয়ন গোল্ডন সু ফংহনবদা অচৌবা মরম অমা ওইখি।

পোর্টুগালগী রোনালদোনা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা যুরোপিয়ন নেসন্স লিগতা নেদর্লেন্দসকী টিমবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবদা মহাক্কী অচৌবা থৌদাং লৈখি। ফিফাগী বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি এয়রগী মনা অদু সেপ্টেম্বরগী ২০দা লাউথোক্লগনি।

# অর্সনেল অমসুং টোটেনহাম হোটস্পর দ্রো চৎখ্রে, এভরটনা ৱলবরহেমটন ৱান্দরসপু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে



লন্দন, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ
য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেচতা অর্সনেল অমসুং টোটেনহাম হোটস্পর পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা এভর্টননা ৱলভরহেমটন ৱান্দরসপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

অর্সনেল অমসুং টোটেনহাম হোটস্পরগী মেচ অদু হৌরকপদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ফজবা হেনখি। মেচকী ১০শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী খৃষ্টিয়ান এরিক্সননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অর্সনেলবু পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অর্সনেলনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু ঙমদনা লৈরিঙৈ ৪০ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা টোটেনহাম হোটস্পরনা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী হেরি কোননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অর্সনেলগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা নিকোলাস পেপেনা পীরকপা য়াম্না ফজবা বোল অমা টিমমেট অলেকজেন্দ্রে লকাজেটনা পাঞ্জল হন্দোক্লগা ১-২দা স্কোর বোর্দ অদুদা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীগী শান্নরোয়শিং অহেনবা পাঞ্জল চন্নবগীদমক্তগা য়াম্না কন্না শান্নরবা মতুং পুংখাই ফারমদাইদা অর্সনেলগী মায়কৈদগী মাতিয়ু জ্বেন্দাজিনা পীরকপা বোল অমা টিমমেট পিএরে-এমেরিক ওবামেনা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ওইবা ঙমখি।

টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা অদু মখা তানা লৈহন্নবা হোৎনরকপা কান্নবা ফঙদনা পাঞ্জল ২-২দা লোইশিল্লগা পোইন্ট য়েন্নখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা এভর্টননা ৱলভরহেমটন ৱান্দরসগী মায়কৈদা য়াম্না ঙন্না শুপ্নগী ৫ শুবা মিনটতা রিচার্লিসননা একাউন্ট হাংদোকখি। ৯ শুবা মিনটতা ৱলভরহেমটন ৱান্দরসগী আর সাইজনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। ইকুই কুইদনা ১২ শুবা মিনটতা এভর্টনগী এ আইওবিনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা এভর্টননা ৱলভরহেমটন ৱান্দরসপু ২-১দা হেল্লগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা ৱলভরহেমটন ৱান্দরস আর জিমিনেজনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অদুবু ৮০ শুবা মিনটতা রিচার্লিসননা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা মেচ অদু ৩-২দা হেল্লগা লোইশিনখি।

# ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং সৌরব বর্ম্মনা চাইনিজ টাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি





টাইপৈ, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ
ঙসিদগী হৌখিবা চাইনিজ টাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু মমাঙদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা সাইনা নেহৱাল অমসুং সৌরব বর্ম্মনা নৌহৌননা টাইটল লৌননবা হোৎনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক থোংবা সিদেদ ওইরিবা নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর ৮ শান্নরোয় সাইনা নেহৱালনা চাইনিজ টাইপৈ ওপন অসি কুমজা ২০০৮তা টাইটল ফংখিবনি। নাকল অমরোমদা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী নেসনল চেম্পিয়ন ওইরিবা সৌরব বর্ম্মনা টাইট অদু কুমজা ২০১৬তা ফঙখি।

চাইনিজ টাইপৈ ওপন টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা হন্দক্তা স্বিজর্লেন্দগী বাসেলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা চাইনাগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিন্দানবু মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেল ফাওবা য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোয়সু শরুক য়াগদৌরি।

সাইনা নেহৱালনা বাসেলগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা দেনমার্ককী মিয়া ব্লিসফেল্টকা শান্নখিবা মেচ অদুদা অম্পেয়রগী দিসিজনশিং অদুদা কন্ট্রোবর্সেল ওইবা খরা য়াওখিবদগী মায়থীবা নংহৌখি। মহাক্না টাইৱানগী ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়ংগা শান্নগনি। মখা তারকপদা মহাক্না কনাদাগী মিসেলি অমসুং যু এসকী বৈৱেন ঝাংগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্কদৌরি।

সৌরব বর্ম্মনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা জপানগী কাজুমাসা সকাইগা অহানবা রাউন্দ শান্নগনি। প্রনোয়না অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং জু ৱৈগা শান্নগনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় সমির বর্ম্মনা মলেসিয়াগী দরেনল্যুগা থেংনগনি।